# লাঙথেল খুঙ্গংগী লৌ পরি ২০০ রোমদা থাবা মনা মশিং লেন য়াওবা নোংনা মাঙ–তাকহনখ্রে, লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্লে



থৌবাল, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাঙথেল খুঙ্গংগী লৌ পরি ২০০ রোমদা থাবা মনা মশীং মাঙ তাকহনখ্রে লোয়ননা লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্লগা চপ মান্নরে হায়রি।

লাঙথেলগী লৌমীশিংনা ঙসি পাউমীশিংদা হায়, লৌ পরি ২০০ রোমদা মাইরেল, খোংদ্রুম, থবি, তর্বুজ, নুমিৎলৈ, হঙ্গাম (মরু লোক্লবা) অমদি হৈ–লৈ নচিংবা কয়া থাদুনা কৈথেলদা পুথোক্তুনা য়োনবা য়ারক্লবা মতমদা লেন য়াওনা অকনবা নোংনা মাঙ তাকহনখিবনি।

লৌমী মোইরাংথেম ইবোচৌবনা ফোঙদোরকখিবদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা কৈথেল অয়াম্বদা য়োন্নবা চহী খূদিংগী মাইরেল, খোংদ্রুম, তর্বুজ অমদি থবি নচিংবা য়াওনা মনা মশিং কয়া পুথোক্লিবনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা এগ্রিকলচরেল ফার্মিং তৌরিবা লাঙথেল খুঙ্গং অসিদা ঙরাং খঙহৌদনা তারকখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোং অদুনা মরম ওইদুনা পূম্নমক মাঙ তাকহল্লম্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোক্লবা হোৎনবিয়ু।

অতোপ্পা লৌমী মোইরাংথেম বরকেশোনা হায়, লৌ পরি ২০০ হেনবদা থাবা মনা মশিং মাঙ–তাকহনখিবা অদুনা মদুদগী ফংলক্কদবা শেনফম্না ইমুং পুনরিবা লাইরবা লৌমীশিংদি হেন্না অৱাবা খুদোংথিবা মায়োক্নরে। চহী অমদা লুপা ক্রোর অমরোমগী পোথোক পুথোকপা ঙম্লম্বনি। অদুবু ঙসিদি পূম্নমক অদু মাঙলে। লৌমীশিং হেন্না অৱাবা মায়োক্নরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংলম এ সিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লেন্না মাঙ তাকহনখ্রবশিং লোকেল এম এল এ ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যামনা হাকথেংননা য়েংশিনখ্রে। মহাক্না হায়, সেকমাইজিন মমাঙ লৈকাই, ময়াই লৈকাই, মনিং লৈকাই, সেকমাইজিন খুনৌ অমদি হিয়াংলমগী শরুক খরদসু য়ুম–কৈ তেকপা, য়ুমথক কুপ্পা জিঙ্ঘনচিংবা হুমদোকপগা লোয়ননা ইংখোলগী মনা মশিং য়াওনা লৌফম কয়া শোকহন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা দিপ্যুটি কম্মিস্নারদা পাউ পীদুনা হেন্না শোকহল্লবা ইমুংশিং খঙদোক্লবা খঙহল্লকপসু লৈখ্রে। শোক্লবা ইমুং খূদিংমক্তা চপ মান্ননা মতেং পাংনবা হোৎনগনি। লৈঙাক্কী মতেং লাক্ত্রিঙৈদা খুদক্কী ওইনা য়ুম তেক্লবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ মনা ১০/১০ এম এল এগী মায়কৈদগী পীরগনি হায়নসু লাওথোকখি।

এম এল এ ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যাম য়াওনা য়েংশিনখিবা খোঙচৎ অদুদা ককচিং জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য ওইরম্বা ফুরিৎশাবম জিতেন, ৱাইখোম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ওইরম্বা চোংথাম ইন্দ্রজিৎনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

## টিকেট চেক্কর অমগী দষা

রেলৱেগী টিকেট চেক্কর অমদা ত্রেন অমদা কাখৎলগা মদুদা তোংলিবা মীশিং অদুনা পায়রিবা টিকেটশিং অদু মথং মথং চেক তৌরম্মী। মহাক্না অহানবা পেসেঞ্জর অমগী টিকেট চেক তৌবা মতমদা অরানবা টিকেট অমা পায়রম্বা থেংনরম্মী। চেক্কর অদুনা হায়রক্লম্মী, ‘ সার ৱারৌবিবা য়াদে, নহাক্না তোংলিবা ত্রেন অসি ওন্নরে। অদোম্না মথংগী ষ্টেসন লাকপদা অদোম্না তোংগদবা ত্রেন অদুদা ওন্থোকপিয়ু’। মহাক্না মথং মথং অতৈ পেসেঞ্জরশিংগী টিকেট চেক তৌরকপা মতমদসু মখোয়না পায়রম্বা টিকেটশিং অদু লোয়ননা ওন্নবা থেংনরম্মী। মহাক্না চেক তৌরুবা পেসেঞ্জর খুদিংগী টিকেট লোয়না ওন্নরম্বা অদুদা টিকেট চেক্কর অদু ঙকপনা থেংলম্মী। অদুবু মহাক্না চেক তৌনবা কাখৎলক্লিবা ত্রেন অদু ওন্নরে হায়বা মীৎকূপ অদুদা মহাক্কী ঙকলম্বা পুম্নমক ৱাখল তারক্লম্মী। মহাক্না চেক তৌফম থোকপা অশেংবা ত্রেন অদুদা কাখৎতুনা চেক তৌবগী মহুৎতা অরানবা ত্রেন অমদা কাখৎলগা অচুম্বা টিকেট পায়রিবা পেসেঞ্জরশিং চেক তৌরুবগী ৱানি।

ঐখোয়নসু অসিগুম্বা থৌদৌ অসি থেংনদবা নত্তে। ঐখোয়গী পূন্সিদা থেংনরিবা অৱা অনা খুদোংথিবশিং অসি পূন্সিনা থোকহনবনি হায়না লৌই। মদু তশেংবদি ঐখোয়না টেলিস্কোপ ওন্ন–তৈনবা নাকন্দগী য়েংবগুম্বনি। অৱা–অনা খুদোং চাদবা অদুদি ঐখোয়না থোকহঞ্জবনি।

ঐখোয়না অচুম্বা পাউখুম থিদ্রিঙৈদা হংলিবা ৱাহংদু অচুম্বরা হায়না খঙদোকপা মথৌ তায়। খ্বাইদগী অপঙ তারিবসি মী মশানা মহাক্কী অপঙবা মতৌ অদু খঙজদবদুনি।

## লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলনা পোপ্পি থাবা থিংবা ঙমদবনিঃ কেম্পেইন কম্মিটি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা চহী কয়াদগী মণিপুরদা লোগী ৱাংমদা ফোংনা পোপ্পি থাদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা চীংগী অশুকপা উমং একর লিশিং কয়া মাঙ–তাকহনবদা নত্তনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা নহা লিশিং কয়া দ্রগকী লাংদা থুদুনা অরেম্বদা পুন্সি মাঙহল্লি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলদগীনি। থৌশিল অসিমক্না মরম ওইরগা পোপ্পি থাবসু থিংবা ঙমদবনি হায়না সেভ ইনভাইরোনমেন্ট কেম্পেইন কম্মিটি হৈঙাং মখা লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরী মুতুম ইনাওবী সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টর (এম এ আর এস এ সি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০১৭ তগী ২০২৪ ফাওবদা মণিপুরদা লম একর ১৯,১৩৫ রোমদা থাবা পোপ্পি পাম্বীশিং লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি হায়রি। চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জনুৱারি থাদগী হৌজিক ফাওবদা লম একর ২৩৯৫ দা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখিবগী পাউ তাখ্রে। মসিনা তাকপদি চহী কয়ামুক চঙনা লোগী ৱাংমদা থারিবা পোপ্পি পাম্বীশিং অসি মাঙহন্নবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রি হায়বা তাকপনি। মসিগী অচৌবা মরমদি পোপ্পি য়াম্থৎপদগী হৌনা চেন্নবা মীওই ফাবা অমদি লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী অশোয়বা কয়া লৈবদগীনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১৭ তগী ২০২৪ ফাওবদা লোগী ৱাংমদা পোপ্পি থাবগী রেজিষ্টার তৌবা এফ আই আর মশীং ৪১২ শুখ্রে। অদুবু শুপ্নদগী মীওই ৮৭ খক ফারি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা শুপ্নতগী মীওই ২ খক ট্রাইয়েল চথুবা নত্তনা অমা ফাওবা মরাল লৈরে হায়না কনভিক্ট তৌখিবগী রিপোর্ট ফংদে। মসিনা তাকপদি মণিপুরদা চথুরিবা ৱার ওন দ্রগ অসি পোপ্পি পাম্বী খরা য়াম্থৎপা নত্তনা অতৈ পান্দম অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়রি।

কেম্পেইন কম্মিটিগী মায়কৈদগী প্রোব্লেম অসি মণিপুরগী কোর ইসুশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌরগা ৱার ওন দ্রগতা অশা থমখিবনি। লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর, মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দমনচিংবা পীদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু লাইবক থিবদি ঙসি ফাওবা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা মমল য়াম্লবা রিজার্ভ অমসুং প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট কয়াদা ফোংনা চঙশিল্লগা উমং কোকথোক্লগা লোগী ৱাংমদা পোপ্পি থাখিবা লৈঙাক অসিনা চেন্নবশিং দন্দি পীবা ঙমদনা য়েংদুনা লৈরি। মসিগী খুদমদি ইকুই কুইদনা মমাঙ চহী ২০২৫গী নবেম্বর দিসেম্বর থাদা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা কৌব্রু অমদি কাংপোকপি রিজার্ভ ফোরেষ্ট মনুংদা থারম্বা পোপ্পি কয়া য়াম্থৎখিবা অদুনি।

ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী লৈঙাক্না হৌজিক চথুরিবা ৱার ওন দ্রগকী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং রিভিউ তৌবগা লোয়ননা খুদক্তংগী মণিপুরদা পোপ্পি থাবা থিংঙু অদুগা মমল য়াম্লবা নহা কয়াগী পুন্সি, উমং–ৱামং, লমলক্কী শা উচেক কন্দুনা মহৌশাগী খল ঙাক্না থন্নবা হোৎনবিয়ু। নৎত্রবদি কেম্পেইন কম্মিটি অসিনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়রি।

## নেস্লেল সাইন্স দে পাঙথোকখ্রে

মোইরাং, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ মোইরাং কোলেজ সাইন্স ক্লবনা কোলেজ অসিগী আই ক্যু এ সিগা খূৎশম্নদুনা নেস্লেল সাইন্স দে ঙসি কোলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮ দা পাঙথোক্কদবনি অদুবু এম য়ুগী এফ ৱাই য়ু পিগী এগজাম লৈবনা য়েথোরকখিবনি। ব্লুমেন ইন সাইন্স ঃ কেতালাইজিং ফোর ভিক্সিট ভারত হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মোইরাং কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. রাহৈজুদ্দিন সৈখনা অথোইবা মীথুং, আই ক্যু এ সিগী কোওর্দিনেটর ডা. পিঐচ রাজু সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুং অদুগা মোইরাং কোলেজ সাইন্স ক্লবকী কনভেনর টিঐচ সুরচন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। ব্লুমেন ইন সাইন্স হায়বসিদা সাইন্স মোদেল কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি। মদুদা বোটানি দিপার্টমেন্টকী দোলে ৱাইরাকপম, সলাম গ্যানেল চনু অমসুং কুমাম দেনিসননা অহানবা, কম্প্যুটর সাইন্স দিপার্টমেন্টকী পি নরেসনা ২শুবা, ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী ফিলেম অরিস, বেবিকা য়ুমখাইবম অমদি অঞ্জেলিকা হেমামনা ৩শুবা অদুগা জুলোজি দিপার্টমেন্টকী লক্ষ্মী নন্দিনি অমদি সনানু রুবয়ানা ৪ শুবা পোজিসন তাখি হায়রি।

## মুস্লিম গার্লস হোষ্টেল শাখিবগী পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফম পীথোকপিয়ু ঃ তোম্বা



ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মিনুথোং হাফিস হট্টাদা অমত্তা ঙাইরবা মুস্লিম গার্লস হোষ্টেল শাখিবগী অচঙবা শেনফম লৈঙাক্না ঙসি ফাওবা পীথোক্তনা লৈরিবসি অথুবা মতমদা পীথোকপিয়ু হায়না সব কন্ট্রেক্টর এল তোম্বনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিদগী চহী ১৫ রোমগী মমাঙদা হোষ্টেল অসি শাবা লোইখ্রবনি। মতম অদুদা খুরাই অমসুং ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এশিং য়াওনা মীওই কয়ানা মতেং পাংদুনা মুস্লিম গার্লস হোষ্টেল অসি শাখিবনি। অদুবু পীথোক্তনা ৱাৎতুনা লৈহৌবা শেনফম মতম চানা পীথোকপিদবা অসি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে হায়রদুনা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা চহী ১৫ রোম পীথোক্তনা লৈরিবা অৱাৎপা শেনফম অদু পীথোকপিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## গ্লোকোমা চয়োল থৌরম পাঙথোকখ্রে

মোইরাং, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ মালেম শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড গ্লোকোমা চয়োল ২০২৬ থৌরম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাঙ্গ প্রাইমারি হেল্‌ঠ সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নেস্নেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ বিজুয়েল ইমপ্লিমেন্ট নেস্নেল হেল্‌ঠ মিসন মণিপুর অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেস মণিপুরগা খূৎশম্নরগা লেন্না মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এম ও বিষ্ণুপুর ডা. এল রাইচন্দ্র, এন পি সি বি অমসুং নেস্নেল হেল্‌ঠ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. বিক্রম হৈস্নাম অমদি পি ঐচ সি থাঙ্গগী এম ও ইন–চার্জ ডা. এল জপাননা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থাঙ্গগী আশা ফেসিলিটেটর কয়াসু মদুদা য়াওখি।

ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. বিক্রম সিংহ খোইস্নামনা লুচিংবা ওপথালমোলোজিষ্ট ৪, ওপতোমেত্রিষ্ট ১৬ য়াওনা ডোক্তর অমদি মেদিকেল টিম ২৫ না চাওরাক্না অনাবা ৩০০ রোম লায়েংদুনা কান্নবা ফংহনখি। মীওই ১৫গী ভৌদোং অদুগা মীওই ৩ না গ্লোকোমা খঙদোকপা ঙমখি। অদুগা মীওই ১৫০ দা মথৌ তাবা অনোক অমদি হিদাক লাংথক কয়া লেন্না পীখি। কেম্প অদুদা মীওই ২ না মশা মশাগী মীৎ দোনেট তৌরমখি হায়রি।

ডা. বিক্রম সিংহ হৈস্নামনা ফোঙদোকখিবদা গ্লোকোমা হায়রিবা অনাবা অসি কনাগুম্বশিংনা থৌশাগন্দবা অনাবা অমনি। মসি লায়েংলগদি ফবা ঙম্বা করিগুম্বা থৌশাহৌদ্রগনা মীৎ উহন্দবা ঙম্বা লায়না অমনি। ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন ১২ রোম গ্লোকোমা হায়রিবা লায়না অসিনা নাহল্লি। মসিগী মনুংদা চাদ ৭০ দগী ৮০ দি মশানা গ্লোকোমা লায়নানি হায়বা খঙজদে হায়নসু মখা তানসু ফোঙদোকখি।

## এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৪৬ শুবা ষ্টেট কনফরেন্স ঙরাং পাঙথোক্তুনা ২০২৬ তগী ২০২৮ ফাওবগী থৌ পুগদবা থৌমীশিং অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং নৌনা খনখ্রে।

থৌ পুনবা নৌনা খনখ্রবশিং অদুদি লাইশ্রম অবিনাস সিংহ প্রসিদেন্ট, ৱাইখোম ৱাংলেন সিংহ ভাইস প্রসিদেন্ট, নিঙোম্বম লৈশেম্বা মীতৈ জেনরেল সেক্রেটরী, লৈহাওরুংবম লিও মৈতৈ জোইন্ট সেক্রেটরী অমসুং এদিসন কাঙুজম ফাইনান্স সেক্রেটরীনি।

অদুগা থৌ পুনবা খনখ্রবা মঙা অসি নত্তবা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ৪ সু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি চিত্তরঞ্জন কোন্থৌজম, জোতিনচন্দ্র য়েন্সেম্বম, সোইবম প্রিন্স অমদি ৱাংখেম এরিনানি হায়রি।

## কুন্দো পরেং ১৫৯ শুবা মশীং ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর হিন্দি টিচরস এসোসিয়েসন ইম্ফালগী থা অহুম অহুমগী চেফোং কুন্দো পরেং ১৫৯ শুবা মশীং হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল প্রো. শগোলশেম লনচেনবা মৈতৈনা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা চেফোং অসিগী এদিটরসু ওইরিবা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস দিপার্টমেন্ট ওফ হিন্দিগী হেদ ডা. রাজকুমার মোবি সিংহ, দিপার্টমেন্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অমসুং এসিষ্টেন্ট এদিটর ডা. সিনাম তোন্দোন সিংহ অমদি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস ব্রজেশ্বর শর্ম্মা অমসুং সেক্রেটরী এস কুমারজিৎ সিংহসু শরুক য়াখি হায়রি।

SL/Sanayai Agent /1-30

UNIFIED NEET ACADEMY
An Innovative Coaching Institute For NEET & JEE
ADMISSION OPEN
1. CRASH COURSE FOR NEET(UG) - 2026
Class commencing from - 16th March 2026
Morning :- 06:10 to 9:40 am. Subjects :- Phy, Chem, Bot, and Zoo.
MOCK Test Series on Every Sunday till NEET(UG) exam 2026
Freeship available for meritorious students based on Board Exams
2. Class XI & XII Foundation Course
Class Starts from - 1st April 2026 (Evening).
Subjects :- Physics, Chemistry, Biology & Mathematics
For details:- Contact Office of UNA, 06-11 am.(0385-3565104) Kwakeithel Bazar, Airport Road

HINDI TUTION CENTRE
KWAKEITHEL HEINOUKHONGEMBI NEAR RM SCHOOL
HINDI AND ENGLISH SPOKEN COURSE FOR 3 MONTHS.
FEE - RS 4000.
HINDI TUTION FOR ALL CLASSES
BOARDING AND HOSTEL FACILITY AVAILABLE
Contact - 9615455360/7005285138
SL/Sush/14-28

### Government of Manipur
### Office of the DC/Executive Director, DRDA, Ukhrul

### NOTIFICATION OF TENDER

**Ukhrul, the 16th March, 2026**

No. 15/SDF/PLG/DRDA-UKL/2022-23/Pt.-III : In pursuance of vide letter No. PLG2/50/2024-PLG-PLANNING, dated 8th March, 2026, on behalf of the Governor of Manipur, the DC/Executive Director, DRDA, Ukhrul District, Government of Manipur invites item rate tender through manual open tender from eligible registered contractors of P.W.D and other Engineering Departments, Govt. of Manipur for the 7(Seven) works under Special Assistance Grant-Capital Expenditure (SAGCE) 2024-25 in respect of Ukhrul District.

2. The common critical dates and times are as follows :

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Date of Publication | 17th March, 2026 |
| 2. | Bid documents sale date and time | 17th March, 2026 Time 12.00 Noon onwards |
| 3. | Bid submission end date and time | 25th March, 2026, Time 12:00 Noon |
| 4. | Date and time for opening of technical bids | 25th Marc, 2026, Time 1:00 P.M. |
| 5. | Date and time for opening of Financial bids | 25th March, 2026, Time 3:00 P.M. |
| | Venue of opening of tender | Conference Hall of Deputy Commissioner, Ukhrul |

(To be opened in the Conference Hall of the Deputy Commissioner, Ukhrul District, Manipur, If the office happens to be closed on the day of opening of tender the same shall be opened on the same hours of the next working day).

3. The Tender Form and detail documents can be obtained as per NIT at the office of DC/ Executive Director, DRDA, Ukhrul and submit to the undersigned through Executive Engineer, RD & PR (DRDA), Ukhrul.

Sd/- (Asish Das, IAS)
DC/Executive Director, DRDA, Ukhrul.

SL/B(Sush)/17

SL/Sush/2-2 (1 month)

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/ JEE / IIT
NEF
THREE YEARS' LEGACY
JEE
NEET




Scan here to register
REGISTRATION OPEN
CRASH COURSE
JEE (APRIL SESSION) & NEET
Comencing from 15th March 2026
For more details please contact:
9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

APOLLO ACADEMY
Moulding Career & Igniting Young Minds
REGISTRATION OPEN
For
1) NEET (UG) CRASH COURSE- 2026
Class commencement: 16th March 2026
Timing: 6:30 AM - 10:30 AM (45 mins Daily Test)
Note: Sunday Class + Mock Test (P/C/B)
2) CUET (UG) CONDENSE COURSE- 2026
Class commencement: 23rd March 2026
Timing: 6:30 AM - 9:45 AM
Paper (I): Language, Paper (III): General Test, Paper (II): Phy, Chem, Bio, Maths, Pol. Sc, Hist, Geog, Acct/B. Study
Facilities: Hostel Available for Boys & Girls
Office Timing: 6:00 AM - 10:00 AM & 2:00 PM - 5:00 PM
NB: (i) NEET aspirants can also join CUET P(I) & P(II) classes after 3rd May 2026 (T&C apply).
(ii) For your early bird offer of 15%, get enrol before 15th March, 2026
For details :
Plz visit Apollo Office Kwakeithel Akham Leikai near AMUCO Office.
SL/Su/20-30

## GAS TODAY

**Khumbong Indane**

Booking upto : 29-01-26, Valid from : 27-01-26, Only home delivery sarvice, Office no.9774068549, Home delivery contact no.8974511936, Message no.8974511936, Time 7.30am to 10.am. EKYC toubirako

**TDK Gas, Sekmai**

Booking up to :30/10/25, Valid : 28/10/25, Stk. : 324
Time : 07.00 a.m.to 01.00 p.m.
Contact No 8731992324/ 8119984019 / 690959094
Home delivery only, ("Compulsory EKYC toubiyu" Gas Delivery touba matamda Consumersingna Registered Mobile Loinabinaba Ningshingjari) EKYC Timing 11.00 a.m.

চাকঙাই ৱারী–৩৬

য়েনাখা পাউদাবী

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান

